
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)









Vol. 49, Issue No. 281 | নোংমাইজিং, ৱাকচীংগী থাশু | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, January 18, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# বিরেননা অমিট শাহগা উন্নখ্রে, পি আরগী মপূন্সি লোইদ্রিঙৈদা অনৌবা লৈঙাক শেম্বগী ৱাফম সেন্টরনা য়ারে, চপ চাবা মতমদি লেপত্রি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএনএস) :** হৌজিক বি জে পিগী এক্টিং প্রসিদেন্ট ওইনা নেশনল প্রসিদেন্টগী থবক থৌরমশিং পাঙথোরক্লিবা ৱার্কিং প্রসিদেন্ট নিটিন নবিনবু পার্টি অসিগী নেশনল প্রসিদেন্ট ওইনা খন্নবগীদমক থা অসিগী ১৯গী নুংথিল ফাওবদা নোমিনেশন ফাইল তৌরগা মীখল পাঙথোক্কদবগী ফীভম লাক্লগনা মথংগী নুমিৎ থা অসিগী ২০দা পাঙথোক্লগা খন্ননবা অকনবা থবক লৌখৎলকপগী মনুং চন্না পার্টি অসিগী লুচিংবশিংনা খঙহল্লকপদগী ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতুংদা দেল্লীদা চৎখিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বিরেনগা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগা ঙরাং নুমিদাং উন্নখ্রে।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা বিরেননা দেল্লীদা থুংলবা মতুং ঙরাং নুমিদাং পুং ১০ রোম তারকপদগী মহাক্লা অমিট শাহগা উন্নদুনা ৱারী শানখিবনি। মীফম অসিদা মণিপুরগী অতোপ্পা মীওই অমত্তা য়াওখিদে। মখোয় অনীনা পুং ১ রোম চূপ্পা ৱারী শানখি।

ঙরাংগী মীফম অসিগী মতাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রস (এম ঐচ এ) গী মায়কৈদগী ওফিশল ওইবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরক্ত্রবসু মণিপুরদা হৌজিক মায়োক্নরিবা পোলিটিকেলগী ইস্যুশিং পুথোক্তুনা খন্নখি। ৱাফম অসিদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী অমসুং বি জে পিগী সেন্ত্রেল লিদরশিংগী




মায়কৈদগীদি মথং থাগী ১২দা চহী অমগী মপূন্সি লোইরগদবা মণিপুরগী প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক অসিগী মনুংদা অনৌবা পোপ্যুলর গবর্ণমেন্ট অমা লৈহনবদা য়ানীংবা ফোঙদোরক্লে।

অদুম ওইমক অনৌবা লৈঙাক অদু করম্বা মতমদা ৱাশক লৌদুনা লিংগদগে অমসুং লৈঙাক অদুবু কনানা লুচিংগদগে হায়বগী ৱাফমদি লৈখাই তাদ্রি অমসুং হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ খক্তা নত্তনা বি জে পিগী সেন্ত্রেল লিদরশিংগী মায়কৈদগীসু খঙহল্লকপা লৈত্রি হায়রি।

ঙরাংগী মীফম অদুদা মতৌ করম্না বি জে পিনা লুচিংবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী অহানবা কনভোকেশন পাঙথোকখ্রে

# চহী ৯ খক্তা ঙাইরিবা য়ুনিভর্সিটি অসি তপ্না-তপ্না মপূং মরৈ ফারক্তুনা অহানবা কনভোকেশন পাঙথোক্লিবসি মণিপুরগী চাওথোকচনীংঙাইনি : গবর্ণর

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্লা কুমজা ২০১৮দা লিংখৎখিবা ষ্টেট লৈঙাক্লা চলাইবা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি (দি এম য়ু) গী অহানবা কনভোকেশন ঙসি মহৈকোল অসিগী চাঞ্চেল্লরসু ওইরিবা গবর্ণর এ কে ভল্লানা শরুক য়াদুনা মহৈকোল অসিগী সাইন্স গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

কনভোকেশনগী প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখিবা গবর্ণরনা হায়, নহাশিংনা ষ্টেট অসিগী, লৈবাক অসিগী অমদি মালেম অসিগী ৱাখল খনবা অমদি থবক তৌবা তঙাইফদে।




দি এম য়ুগী ভি সী প্রোফেসর দল্লিয়ু চান্দবাবুনা গবর্ণরদা খুদোল তম্বা অমসুং মহাক্না ইনভাইরনমেন্টেল সাইন্সতা বি এস সী (ওনর্স) এগজামিনেশন ২০২৪দা ফর্ষ্ট পোজিশন তারকখ্রবী নহাকপম লৌশিংখোম্বী চনুদা মনা খূৎশিন্নবা

নহা ওইরিবা মহৈরোয়শিংনা তম্লুরিবা মহৈশিং অদু মখোয়-মখোয়গী করিয়র শেম্বদা মতেং পাংবা খক্তা নত্তনা ষ্টেট অসিগী অমদি লৈবাক অসিগী হেন্না ফবা চাওখৎপা ওইহন্নবরোমদসু থৌদাং লৌনবা মহৈরোয়শিংনা হোৎনবা চঙই। য়ুনিভর্সিটি অসিদগী গ্রেজুএশন লোইরবা মহৈরোয়শিংনা মখোয়গী পূন্সিগী অনৌবা তাঙ্কক অমদা চঙলিবসিগা মরী লৈননা খুন্নাই অমদি লৈবাক অসিগী থম্মোয় শেংনা থবক তৌগদবনি হায়নসু গবর্ণরনা মহৈরোয়শিংদা পূক্নিং থৌগৎখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, কুমজা ২০১৮ খক্তদা লিংখৎপা য়ুনিভর্সিটি ...মখা লমায় ৮ কলম ৫

## ৱারেন্ট ওফ এরেষ্ট পীবা চৎলুবা পুলিস ইন্সপেক্টর ১ থাঙনা থিল্লক্লে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএনএস) :** মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টতা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা থৌদোক অমদা পুলিসনা মীহাৎপগী থৌদোক অমগা মরী লৈননা লৌখৎপা কেস অমগী মতাংদা ৱারেন্ট ওফ এরেষ্ট ইস্যু তৌবা চৎলুবা পুলিস ইন্সপেক্টর অমা থাঙনা থিল্লকপদগী শোক্তুনা লায়কন্নখ্রে।

থৌদোক অসি ঙরাং অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তারকপদা তোলোই ভিলেজদা থোকখিবনি। খুল অদুদা উখুল দিষ্ট্রিক্টকী সোমদল পুলিস ষ্টেশনগী ওফিসর ইন-চার্জ ইন্সপেক্টর ক্রিল্লি জেমসনা লুচিংবা খূৎলায় পায়দবা পুলিস টিম অমনা খুল অদুদা লৈবা মশাগী চহী ৫৪ রোম শুরবা ফর্ষ্ট মেন রুংশুং কৌবা মীওই অমদা কেস অদুগা মরী লৈননা ৱারেন্ট ওফ এরেষ্টকী নোটিস ইস্যু তৌবা চৎপনি। মফম অদু য়ৌরবা মতুংদা ও সীনা লুচিংবা টিম্না ফর্ষ্ট মেন রুংশুংগী মরী-মতা থোকপা মীওই অমগা ৱারেন্ট ওফ এরেষ্ট অদু করিগীদমক পীবা লাকপনো হায়বগী মতাংদা ৱাখল তাহন্নবা ৱারী শানরিঙৈদা খঙহৌদনা ইন্সপেক্টর অসিগী থবাক্তা থাঙনা থিল্লকখিবনি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## গবর্ণরনা রামকৃষ্ণ মিশন, ইম্ফালগী মপোক কুমওন থৌরমদা শরুক য়াদুনা প্রি-প্রাইমারি স্কুল শঙ্গাখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএনএস) :** বাবুপড়াদা লৈবা রামকৃষ্ণ মিশন, ইম্ফালগী ১০শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা গবর্ণর এ কে ভল্লা অমসুং ফর্ষ্ট লেদি জ্যোটি ভল্লানা শরুক য়ারদুনা গবর্ণরনা মিশন অসিগী বাবুপড়া কেম্পসতা প্রি-প্রাইমারি স্কুল অমা শঙ্গাখ্রে।

ঙসিগী চীং লেন্নবা থৌরমদা এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজম, হাওরাগী বেরুলমাঠতা লৈবা রামকৃষ্ণ মাঠ অমসুং রামকৃষ্ণ মিশনগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি রেভরিন্ট শ্বামি সত্যয়েসঅনন্দ, রামকৃষ্ণ মিশন, ইম্ফালগী সেক্রেটরি শ্বামি অত্মাভিকাসঅনন্দ, রামকৃষ্ণ মিশন, ইম্ফালগী মেনেজিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট পি ধনকুমারনা মরু ওইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।




থৌরমগী মনুং চন্না গবর্ণরনা নর্সরি, লৱার কেজি অমসুং অপ্পর কেজিগী মহৈরোয় ১৮০ হেনবগী মহৈ-মশিং তম্ফম ওইগদৌরিবা অনৌবা স্কুল অসি শঙ্গাখিবনি। গবর্ণরনা ফর্ষ্ট লেদিগা লোয়নননা ঙসি শঙ্গারিবা স্কুল অসিগী ক্লাস রুমশিং হকথেংননা য়েংখিবগা লোয়নননা স্কুল অসিগী ষ্টাফশিংগসু ৱারী ...মখা লমায় ৩ কলম ১

য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টরনা ইম্ফালদা রিভিয়ু মীটিং পাঙথোকখ্রে

## কন্সত্রক্সনগী কোষ্ট ৱাংখৎলকপদগী পি এম এ ৱাই-য়ু ১.০গী থবক লোইশিনবা ঙমদবনি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএনএস) :** গবর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী হাউজিং এন্দ অর্বান এফেয়রসকী ষ্টেট মিনিষ্টর টোখান শাহুনা ঙসি বাবুপড়াদা লৈবা ওল্ড সেক্রেটরিএটকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা মীফমদা মহাক্কী মিনিষ্ট্রিগী মখাদা মণিপুরদা পায়খৎলিবা স্কিমশিংগী রিভিয়ু তৌখিবগা লোয়নননা সেন্ত্রেল পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট (সী পি দব্লিয়ু দি), হাউজিং এন্দ অর্বান দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেশন লিমিটেদ (হুদকো), নেশনল বিল্ডিংস কন্সত্রক্সন কোর্পোরেশন (ইন্দিয়া) লিমিটেদ (এন বি সী সী) গী থবক থৌরমশিংগীসু দিপার্টমেন্টেল রিভিয়ু তৌখ্রে।



রিভিয়ু মীটিং ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## লক্ষিপুরদা কোংগ্রেস মীরেপ ওইহনবীনবা ডা. শান্তিকুমারনা হায়জখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএনএস):** চৎলিবা চহীসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা অসাম এসেমব্লি ইলেক্সনদা ষ্টেট অদুগী কছার দিষ্ট্রিক্টকী লক্ষিপুর কন্সটিট্যুএন্সিদা কোংগ্রেস মীরেপ ওইজগে হায়দুনা ডা. মাইমোম শান্তিকুমারনা মহাকপু শৌগৎপশিংগা লোয়নননা ঙসি গুৱাহাটিদা লৈবা অসাম প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী ওফিসতা কম্মিটি ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## য়ু জি অনী ফারে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ত্রোল রুমদগী ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোলদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা কুম্বী পি এসকী মনুং চনবা চাইরেল অহল্লুপ্তগী লাইশ্রম থোইথোই এলিয়জ লানঙম্বা (২৯) কৌবা প্রিপাক-প্রোগী কাদর অমা মহাক্কী ময়ূমদগী ফারে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা বিষ্ণুপুর পি এসকী মনুং চনবা নিংথৌখোং খা খুনৌ মনীং লৈকায় ৱার্দ নম্বর ৪দগী শগাপম তোম্বা (২৪) কৌবা আর পি এফ/ পি এল এগী কাদর অমসু ময়ূমদগী ফারে হায়রি।

## কানিগা কোন্ননা ফারে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ত্রোল রুমনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা পুলিসনা ঙসি চূড়াচান্দপুরগী ন্যু লমকাগী ভেংনোমগী জেদ এম এ রোদতগী নাংলিয়ানসিয়া (৩৫) কৌবা মীওই অমা সিংহাট পি এসকী মনুং চনবা বেহিয়াংদগী কানি কিলোগ্রাম ১৬.৬কা কোন্ননা ফারে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## ৫৪শুবা ওল মণিপুর শোর্ট প্লে কম্পিটিশন ২০২৫গী মনা লান্থোকখ্রে




**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএনএস):** মমাঙ থাগী ৬তগী ১৪ ফাওবা থিএটর সেন্টর, মণিপুরনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগা খূৎশম্নদুনা এম দি য়ুদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## এম এল এ য়াওনা মীয়ামগী থবক তৌরিবশিং ইশা-ইশানা খন্থবীরো : রমনি




**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএনএস) :** হৌজিক্কী মতমদা মী অমনা অমবু ৱারকপা ঙমদে। মরম অসিনা ঐখোয়না থবক অসিমা তৌ হায়রুবা য়াবা নত্তে হায়রদুনা ইশাগী চহী ৯৭ শুরক্লবী ঐহাক্লা পেন্দবদগী মীয়ামগীদমক থবক তৌরক্লিবনি হায়না ওল মণিপুর ৱিমেন ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## বোমনা পান্দুনা শোকখিবা মীওই ২দা পি সী কে এমনা শেলগী তেংবাঙ পীখ্রে



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৫গী অয়ুক্তা সাইতোন ঙানুকোনদা মথোং খঙদবা কুকি-জোশিংনা বোম মথং-মথং পোকখায়হল্লকপগী মনুংদা বোম মচেৎনা মখোঙদা পানবদগী শোক্তুনা লায়কন্নখিবা মীওই অনীদা ঙসি পীস কম্মিটি ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## একর ৩০৬তা থারম্বা পোপি পান্বীশিং য়াম্থৎখ্রে, লৌশঙ ৪৩ মৈ থাদোকখ্রে



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএনএস):**

পুলিস কন্ত্রোল রুমনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা থা অসিগী ১২দগীনা ঙসি ফাওবা চথুরকখিবা পোপি পান্বীশিং য়াম্থৎপগী দ্রাইভতা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী সাইকুল পি এসনা কোনবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংগী একর ৩০৬ লোম চাউবা এরিয়াদা থারম্বা পোপি পান্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাঙহনখ্রে। অদুগা পোপি পান্বীশিং অসি থাবদা শীজিন্নরম্বা লৌশঙ ৪৩, স্প্রে পম্প, পাইপ, থুম, পেষ্টিসাইদ অমসুং হর্বিসাইদ কয়াসু মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

পোপি পান্বী য়াম্থৎপগী দ্রাইভ অসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা নার্কোটিক কন্ত্রোল ব্যুরো (এন সী বি) অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিশলশিংনা খূৎশম্নদুনা চথুরকখিবনি হায়রি।

## মরী লৈনদে : আর পি এফ-পি এল এ

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ :** রেভল্যুস্নরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ) কী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি (পব্লিসিটি) বঙ্কিমগী চেরোল অমদা ঙরাং ইরাই নুমিৎতা মণিপুর পুলিসকী ফেসবুক গ্রুপ্তা ফোঙলকখিবা সিক্যুরিটি ফোর্সনা ফারে হায়রিবা চবুংবম থাইবেম্মা (৪৯) এলিয়জ মেধা তেরা লৌক্রাকপম লৈকায়দা লৈবা মীওই অসি আর পি এফ অমদি মসিগী লান্মী শঙলূপ পি এল এগা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়রি।

# লাঞ্জেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরবসু ইচাগা তোঙান-তোঙান লৈবদগী ৱাখল লায়নানা লৈখিদ্রবা ইচাগী অরোইবা মীৎকুপ উবা ফংখিদে

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
হকথেংনবা পাউদম
চূড়াচান্দপুরগী তুইবোং ফোরেষ্ট গেটতুগী খুঞ্জা

**(হান্নগী মখা...)**

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওল্ড মিনি সেক্রেটরিএটতা হাংবা রিলিফ কেম্পতা হৌজিক ফাওবা লৈঙাক্লা চঙজফম লৌহল্লক্লিবী অঙোম ওংবী সরোজিনি, মপুরোইবা লৈখিদ্রবা অঙোম কুল্লজিৎনা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, ঐহাক্লা বিষ্ণুপুরগী রিলিফ কেম্প অসিদা লৈরে অদুগা লৈখিদ্রবা ইচানুপাগী ইমুংনা ক্বাক্তাগী প্রি-ফেব্রিকেটেদ হাউসতা লৈরে। মরম অসিনা লাঞ্জেল্লক্লবা ফাওবদা ইমুং-মনুং পূন্না লৈমিন্নদবগী ৱাখল পীকশিনবা অদুগী মথক্তা ইচানুপানা লৈতবা নুমিৎ অদুদসু হকচাং ঙমদদুনা লৈবা ইমৌনুপীদা মহাক্লা 'ইচন ঐনা নঙবু মতিক চানা লায়েংবসু ঙমদ্রে, ৱারৌগনুকো' হায়বা ৱাফম অসি ইতৎ-তত্তনা হায়রম্মী হায়না ইমৌনুপীনা ঐঙোন্দা তম্মী। ইচাগী অরোইবা মীৎকুপ অদু ফাওবা লান অসিনা মরম ওইরগা ঐনা মমা অমা ওইনা উজহৌবা ফংখিদে। পুন্নমক অসি ইচানুপাগা ঐগা রিলিফ কেম্পতা লৈরবসু তোঙান তোঙান্না লৈরকখিবদগীনি হায়না থম্মোয় শোক্না পাউদল্লকখি।

সরোজিনিনা মখা তানা হায়, রিলিফ কেম্প অমত্তদা পূন্না লৈমিন্নবা ফংদবগী মরমদি ইচানুপা অহলদু হান্নদগীসু মশাগী ওইনা ৱাখল য়াম্না পীকশিনগনবা মীদা ওইবনা ঈরাং থোরক্তুনা য়ুম মৈ থাবগী পাউশিং তারকপা অমদি ময়াম কোইচেন চেন্নবা উবদা পাখৎখিদুনা য়ুমদগী চেংথোরকপদা লন্মীদা লেকথদুনা ৱাখল মাঙখি। মহাক্কী ফীভম অদুদা ময়াম চঙদুনা মহাকপু লন্মীদা লায়কন্নরগা নহা ময়াম্না থাংদুনা মফম চানা লোৎহল্লগা অহিং অদুমা য়াম্না ৱানা লেল্লকখিবনি।

মে ৪, ২০২৩গী নোংঙাল্লমদাইদা সিফাইনা ঐখোয়বু লৌখৎপা লাকপদা ইচানুপা অহল অদুদি ৱান্থদুনা লাক্লরুবনিনা সিফাইশিংনা এম্ব্যুলেন্সতা হাপ্তুনা পুবীখিবনি অদুগা ঐখোয়না মে ৯দা ময়াম চূড়াচান্দপুরদগী হোন্দোরকখিবা অদুদা য়াওরকখিবনি। মসিনা মরম ওইরগা ইমা-ইচা পূন্না রিলিফ কেম্প অমত্তদা লৈমিন্নবা ফংখিদবনি। অদুবু মসিনা মরম ওইরগা ইচাগী অরোইবা মীৎকুপ অদুমসু ঐহাক উজহৌবা ফংহৌদে।

হৌজিক্তি রিলিফ কেম্পতা লৈহল্লক্লিবা অসি চহী ৩ ফাজিল্লক্কদৌরে। ইশাসু দাইবেটিস নাবনিনা... (মথং-মথং)

# নুপা-নুপীগী খেন্নবা থমদনা ঐ-ঐনা পামজরিবা, চান্নজরিবা শিনফমদা মায় পাক্লবা হোৎনবা তঙাইফদে : লোয়ালাকপী চনু

জ্ঞানন্দ নাওরেম

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএনএস) :**

শিনফম হায়বসি ঐ-ঐগী চান্নজবা অদুমক লৈজবনি। নুপীগী শিনফমনি, নুপাগী শিনফমনি হায়বগী খেন্নবা থমদনা ঐ-ঐগী পামজরিবা, চান্নজরিবা শিনফম অদুদা মায় পাক্লবা হোৎনবা তঙাইফদে হায়না নেশনল হেন্দিক্রাফ্টস এৱার্দ-২০২৪ ফংলকখ্রবী চোংথাম লোয়ালাকপী চনুনা ফোঙদোরক্লি।

গবর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলসনা খূৎ-শা হৈবগী লম্দা মীথোই মীহেল্লবা মীওইশিং খনগৎতুনা পীবা নেশনল হেন্দিক্রাফ্টস এৱার্দ-২০২৪দা জেল্লরি অমসুং সেমি-প্রেসিয়স জেমস ষ্টোনদা মহাক্কী লুপানা শাবা মরৈ পরেংগীদমক এৱার্দ অসি পীরকখ্রবা চোংথাম লোয়ালাকপী চনু নাগামপাল শীংজুবুং লৈরক্তা মার্চ ১৯, ১৯৮০দা লৈখিদ্রবা চোংথাম অচৌবা মৈতৈ অমসুং চোংথাম ওংবী য়ূমখাম



কমলা অনীগী অনীশুবা মচানুপী ওইনা তাইবঙদা খোঙদারকখিবীনি। মহাক্কী মচে অমা অমসুং মৌপ্পা অমা লৈ। ঐখোয়গী মরু ওইনা মণিপুর খুন্নাইসিদদি সনা শাবগী শিনফম অসি নুপাশিংনা অয়াম্বা তৌনৈ। নুপী অমা ওইনা সনা শাবগী ...মখা লমায় ৮ কলম ১


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫